# ওগষ্ট ১৫দা তায়ওন্নবা ৱাখল

মুগলশিংনা মরায় চায়থরক্লবা, লল্লোনবা কাঙবু ওইনা লাক্লবা ইন্দিয়াগী মপু ওইনা পানবা হৌরক্লবা মতমদুদা মমিং লৈরবা মুসলমান-কবি 'মির্জা অসদুল্লাহ খান ঘালিব'না 'চিরাগ-এ-দাইর' (লাইশঙগী থাউমৈ) হায়না মিংথোনবা শৈরেং অমা ইরমখি ... 'তুংলমচৎ উবা ঙম্বা অমদা, অহিং অমা, হুংখি ঐনা/অফবা মতৌ, মপুবু থাজবা, নুংশিবা অমদি নোল্লুকপা/মাঙম্বে ঙসি ঙম্মুমক য়েংহৈদরে ইরমদম/মপাগা মচাগা খৌরি চরম মেৎনবা/মচিন-মনাও অউ-অউ হাৎনবা/পুনশিন্নবা, হিংমিন্নবই ৱাখল লৈত্রবা/তাহৈদ্রবা, য়েংহৈদ্রবশিং' মরকসিদা/ৱাখৈনবা (প্রলয়) মীকুপ্পু লাক্লিবসি করিগীনো?/লানগী অরোইবা পুঙখোল য়েরক্লিবা করিগীনো?/অরোইবা ৱায়েন-চুপ্পি পায়রিবদু কনানো...?

১৮২৭, য়েন্নীংথা চঙলকপা মতম অদুৱাইদা দেল্লীদগী কলকত্তা'দা থা তরুক্কী শাংলবা খোঙচৎ অমা চৎলুরগা হল্লকপদা কাশি (বেনারস) তা মতম খরা লমদনখি। মফমদুদা শৈরেং অসি ইরমখিবনি - ইতিহাসকারশিংনা হায়বনি। নোংপোক থংবা ইন্দিয়াদা হাইনা হুন্না, মঙাল নাইনা পাল্লম্বা মুগলশিংনা মরায় লুকথরকপা, অরোইবা মতম ঙাইবই তানফম লাকপগুম্লকপদু উবদা লৈতাদ্রবা পুক্নিংদুনা ইনশিন্দুনা ইরমখিবনি শীংথানৈ।

শৈরেং অদু ঙসি, ইন্দিয়াগী নীংতম-নুমিৎ, ওগষ্ট ১৫ লাকপসিদা নীংশিংলুরি ঐহাক্না। ইন্দিয়ন-ইন্দিপেন্দেন্স দে-নীংতম নুমিৎ থৌরম অসিগা করিগুম্বা মরম অমত্তদা মরী লৈনদে। মায়না অমখক্তি লৈত্রা খঞ্জদুনা হঙ্গৎকলবা ... 'মায়দবা ময়ামগী অপুনবা শক্তম' (য়ুনিটি ইন দাইভর্সিটি) - ইন্দিয়াগী শক্তাক্তফমনি, লুচিংবশিংনা কদায়দনো য়ুনিটি? অমগা অমগা থাজনদবা, নীংতম্বা লৈবাকসিদা নীংতম্বা ফংদ্রে খন্দুনা নীংতমগে লান হৌরকপা, লানহৌ-নমথবদা পাউথোং ওই' লাম্নীনা ঈ খৌরাংলকপা, অউ অউ হাংনরকপা - মির্জা ঘালিব'না উখিবা মতমদুগী শক্তমগা ঙসিগী শক্তম অসিগা করিদবু খেন্নবগে? জন, গন, মন, অধিনায়ক জয় হে... নেসনল এন্থেম'দুদা চেল্লিবা স্পিরিট, করম্বা ইন্দিয়ন অমগী মথৎস্মোয়দা চেল্লিবগে? অদুগুম্বা লমদুগী লৈবাকমচা (নাগরিক) শিংদি, থাজকই পুক্নিংসিনা, স্বাইনই মীথোয়বা ওইরম্নি, নুংশি হৈবা পুকচেল চাউবা ওইরমনি, পুকচেল খোয়জেল তিন্নিনা অমত্তা ওইনা লৈরম্নি। নেসনল শোং ওইরিবা ঈশেংনসু হায়রম্মী - 'সারে জহাঁ সে অচ্ছা হিন্দুস্থান হমারা' - মালেম পূম্বদই অথোইবা হিন্দুস্থান'নি ঐখোয়গী। খল্লুই - লাইৱেরাক্লুম নীংথিজরমনি, নন্দন-কাননগুম্বা, হৈনম-লৈনম্না হারবা লৈকোলদা চেল্লাগুম শান্নমীন্নরমনি, নুংশিবনা থল্লম্নি। মান্নদবা লাইনীং-লম্বীদা চৎনবা কাঙলূপ অনীদু অমনা অমগী ঈ খৌরাংলমগনি হায়বদি কনানসু থাজরম্লোই। মশানা মশাবু 'তাইবঙ'-মপুগী-লান্মী' মিংথোল পীজদুনা অতোপ্পা মপু নীংবা কাঙবু অদু হাৎলগা মপুগী মনাক য়ৌগনি থাজজবসু কয়ানি। মহাক্লা চৎলিবা লম্বীদুনা লাইরৈপাক য়ৌবা লম্বীনি, অতোপ্পনা চৎলিবদুনা নোরোক মায়কৈ তম্বনি হায়জবসু কয়ানি। মাদি অতোপ্পা জাতিনি, শোক্ল-শম্ন য়াদবনি ঐনা অৱাংবা থাক্কীনি, মানা থৌগল তৌদৌনি - খঞ্জবা কাঙবু অমসু লৈরিবনি ইরক্তা। মাদি শক মান্নদে হৌরকফমসু তোংঙাল্লি মায়দা তিন শিৎচিল্লু লৈহনগনু ইরক্তা-হায়বা মীনা অয়াম্বনি ময়োন ওইবা মফমদুদা লৈরিবা।

ৱাখল অসি খল্লুবা, নীংতম নুমিৎ য়ৌরকপা, 'মির্জা ঘালিব'কী শৈরেংদু নীংশিংলক্তুনা ইথোক্লিবনি। খল্লি খনফম থোক্তুনা - থৌরম অসি পাঙথোকপগী কান্নববু করিনো? ঐখোয় মীখা পোল্লন্মি... মীনায়গুম্না লৈরম্মী ... তুশোন মানশোন্নরম্মী... অনৌবা মীরোল অসিদা নীংশিংহনবনা করি কান্নবা? তৌরিবসিনিদনা - ঐখোয়না নহা ওইরিঙৈ 'ফিফটিন্থ-ওগষ্ট', স্কুল-কোলেজ-ক্লব খুদিংমক্তা মথুম-মরাং হৌরবা থৌরম অমগুম পাঙথোক্লরম্বা, মচু অহুম্না লৈতেংবা ফিরালদুবু শৈথাবা ঈশৈনা পূমনিন নিল্লম্বা, ঙসিদি পূমচিক চিকখ্রেদনা! অসিগুম্বা কোরৌ অমা নোংমা লাক্কনি হায়বসি, ইন্দিয়াগী নীংতম ঈহৌদুবু লুচিংখিবা, জাতিগী মপা কৌনরিবা গান্ধীনদি খঙখিবরা? ঈ-নাই তানদনা, নুংশিবা অমসুং অহিংশা'না খূৎলায় ওইরগা য়েক্লবগা লান্থেংনখিবা মহাত্মা গান্ধী, নীংতম্বা ইন্দিয়াগী শক্তম উবদা হরাও'-নুংঙাইবা ফাওখিদে। ১৯৪৭, ওগষ্ট ১৫ - ইন্দিয়াগী অহানবা 'ইন্দিপেন্দেন্স-দে-সেলেব্রেসন' - মহাত্মা গান্ধী য়াওখিদে। মহাক্তি দেল্লীদগী লাপ্না, 'কলকত্তা' দা লৈখি - নুমিত্তু'মা চরা হেন্দুনা, মহাক্লা থাজজবা তাইবঙ মপু মাগী মফমদা মরৈবাক্কীদমক/মজাতিগীদমক থৌনিজদুনা। মহাক্লা হায়খি - 'নীংতম্বা হায়বসি কনাগুম্বা অমদা অতোপ্পা কনাগুম্বা অমনা পীবা থৌজাল নত্তে, মী অমনা পোকপদা শাগোন্নরক্লবা হক অমনি'। ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৭, 'ইন্দিয়া' মশা মরোমদোম লৈঙাকচবা, ইন্দিপেন্দেন্ট ওইরবা লৈবাক অমা ওইরনি, 'পাকিষ্টান' কৌবা নীংতম্বা মুসলিম ষ্টেট অমসু ইন্দিয়াদগী শেত্তোক্লগনি - বৃটিশশিংগা ৱারী শাদোক্লরবা মতুংদা, ওগষ্ট ১৪গী অহিং নোংয়াই মতুং, ১৫দা চঙশিল্লকপা মীকুপ্তুদা পাঙথোক্কদবা থৌরমশিং শেম-শারকপা, জুলাই থা লোইশিল্লকপদা হায়খি ... 'ওগষ্ট ১৫ নুমিৎ অসি ঐখোয়না হরাও তয়াম ফোঙদোক্কদবা নুমিৎ অমা নত্তে... ঐহাক ঐগী ইরৈবাকচাশিংগী মফমদা নমথাক তৌবা পামদে ... ঐহাক্না পামজবা, য়াজনীংদবদু ফোঙদোকচবনি মীয়ামদা, ইতুং ইল্লকউ হায়জরোই, মীয়াম্না হরাওবা ফোঙদোকপা য়ানীংদবসু লৈজদে ... অদুবু, ঙসি ঐখোয়না ফংলিবা নীংতম্বা অসিদি, য়ূমলোন্নবা লৈবাক ওইনা লোইনাইদনা লৈমিন্নহৌগদৌরিবা লৈবাক অনী - হিন্দুস্থান অমদি পাকিষ্টান অনী, নুংশিনদনবা য়েক্লবা ওইনা লৈহৌনবগী মূৎপা নাইররোইদবা মরূ অমা হুল্লম্বগুম থোক্লনি, কয়াদা লাইবক থীখ্রবা... অদুগুম্বা য়েক্লবগী মৈরী অদু ইখূৎসিনা করম চুখৎলমগনি'...! ১৯৪৬ নবেম্বর থাদগী হৌরবা হিন্দু-মুসলিম অনী হাত্তোক্লবগী 'নোৱাখালি' (ঙসিদি বাংলাদেসতা লৈখ্রবা) রাইওৎ, হাৎন-শুনবগী থবক্তু বেঙ্গল-ঙমখৈ লান্থোক্তুনা বিহারদসু য়ৌরকখি। ১৯৪৭ মার্চ থা য়ৌশিল্লকপা, পঞ্জাবকী 'রাৱলপিন্দি'দসু হিন্দু-মুসলিম য়েংথিনবা মপান থোক্লকখি।

অশোকপদা থুম চাইশিনবগুম 'জুন-৩-প্লান' হায়রগসু খঙনবা 'মাউন্টবেট্টন প্লান' লাউথোরকখি। অকুপ্পা ৱারোল ইজররোই। ৱারোল অদু লাউথোক্ত্রিঙৈ নৈনবদা 'অবদুল কলাম অজাদ' নদি হায়জখি... 'প্লান অসি থবক ওন্থোকপদা শাথীবা মীশি-মীনা খরদি থোকপা য়াই'...। মাউন্টবেট্টন'না আজাদকী ৱাদুদা পাউখুমখি '...ঐনা নখোয়দা অচেৎপা থাজবা পীরিবসিনি - ঈ নাই তানবা ঈরাং অমত্তা থোকহল্লোই... ঐহাক মীচম নত্তে, লান্মী অমনি ... লৈবাক অনী থোকপগী ৱাফমসিবু য়ানরবা, লৈবাক শীনবা থুংনা অকনবা য়াথং তৌদুনা কম্ম্যুনেল ওইবা (কাঙলূপকী) ঈরাং অমত্তা থোক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকনি... ঈরাং থোক্লকপা য়াবগী শামিন অমত্তং ফংবদা শোইদত্তুনা মাঙহন্নি'...। জুন ২দা খন্নরগা ৩দদি কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটি'না অয়াবা পীরে। নেহরু অমসুং পটেল'না 'গান্ধী' বু নাথৈদুনা থমখরে। 'ৱা-ঙাঙদবা', '(মৌন) ব্রত' তৌরিবা গান্ধীগা মাউন্টবেট্টনগা উন্নখি। উন্নরুরগা থোক্লকপদা হায়খি, 'ৱা ঙাঙদ্রসু, ঐহাক থাজৈ, ৱাফমসিদা মহাক য়াদবা তৌরোই।

পূম্নমক্লা খঙনরে - ময়ূম মকৈ থাদোক্লম, পল্লেপফম খঙদবা মফম অমদা চৎপা তারক্লবা হিন্দু-সিখ-মুসলিম ইমুং লিশীং-লিচা কয়াদুনা থোকহনখিবা 'ইন্দো-পাক-পার্টিসন'গী তুংইন্নরকখিবা মীহাৎ-মীপূন, হৈশিংলবা মাউন্টবেট্টন, করিমত্তা তৌবা ঙমখিদে। ইতিহাসকী তাবুনুংদা লাচন্দুনা লৈখ্রবা পুৱারী - ঙসি হাংদোক্লরক্কনি, লাউনা-হৌনা পারক্কনি - নুংশি হৈত্রবা বৃটিশশিংগী তজ্খায় চুম্বা ৱারোলশিং। বৃটিশ লৈঙাক মতমদা লমদমসিদা মখোয়না পুরক্লম্বা অহোংবশিং, মখোয়না তৌরম্বা খুদোলশিং নীংতম-নুমিৎ অসিদা কনানসু নীংশিংলোই। কয়াদা পীকখ্রবা মীওইবগী মপুকচেল!


নহা ওইরম্বা পুন্সিনা মতোল লোল্লকপা মতমদুদই লেপ্তুনা তাবীদ্রবা খোল্লাউ অমা চোইরোল ওইনা লোল্লকখি- 'ইন্দিয়ন ইন্দিপেন্দেন্স দে, ইন্দিয়াদা বোইকোৎ তৌগদবনি'। দ্রামা ওইনসু ইথোকচখি। বৃটিশকী মখাদা মীনাইগুম্না লৈরম্মী, ৱাখল ইনিং তল্লমদে, তৌনীংবা তৌবা ঙল্লমদে, হায়নীংবা হায়বা ঙল্লমদে... মতম অমগী ৱারীদু ঙসিদি ওইদ্রেদনা। লানগুল্লবা ঈহৌ কয়াগী মতুংদা ইশানা লৈবাক ঙাকচরে, ৱাখল ইনিং তল্লেদনা। ইতিহাস ওইনা লৈখিসনু, পানীংবনা পারুসনু। 'ঐখোয় বৃটিশকী মখাদা লৈরম্মী, মখোয়না ঐখোয়বু ওৎলম্মী'... ওগষ্ট ১৫ কয়ারক হঞ্জিন হঞ্জিন নীংশিংখিসিগে? বৃটিশশিংবু মীওৎপা/তমথীবা কাঙবু ওইনা কয়াম কুইনা উহনখি'দগে? পূক্নিং ৱাখল কাইহৌরুবই মহয়নি- ইন্দিয়ন রুল্লরশিংবু বৃটিশকুম্না উরক্তুনা ঐখোয় নীংতম্লগে হায়বা খোল্লাউ লাউরক্লিবা। হিংমিন্নবা, লৈমিন্নবা, চামিন্নবা - অমত্ত ওইবই ৱাখল মরূ হুন্নবা 'নীংতম নুমিৎ' পাঙথোক্লুমসি, মীওৎ মীনৈগী ৱারী লীনগুমসি হায়বা পাউজেল পীজরি। অদুবু, লৈবাক্কী থৌরম পাঙথোক্লুমসি হায়রুবা এন্টি নেসনলনি হায়রক্কদ্রা চিংনবদুসু পোক্লককই - লৈঙাক মতা অসিদা।

*-ইন্দ্রকুমার*

# 'চিগোংলৈ নাচোমদি তাহৌরে' লাইরিক অসিদা মীৎয়েং অমা

*''লোইনাইদবা মতমগী ঈচেলদা/কাওশিং ওইরি অওনবনা/সনা কোনুংগী লম্বীসু/লৈকুৎ লৈতোঙনা লৈতেংলি/পাখঙগী গাড়ীনা য়াঙবনে/নাচোম চিনবী শকহেনবী/পাম্মুবগী খ্বাঙদা য়াল্লিঙৈ লেন্নগে খঞ্জবা নুজাগী /চিগোংলৈ নাচোমদি তাহৌরে'' - চিগোংলৈ নাচোমদি তাহৌরে। লা: ৭৩*

লাইরিক্কী মমিং :-
**চিগোংলৈ নাচোমদি তাহৌরে, ২০১২**
অইবী :-
**রাজকুমারী হেমাবতী**
অফোঙবা :-
**রাইটর্স ফোরম ইম্ফাল**
লাইরিক্কী মখল :- **শৈরেং**
লাইরিক্কী মমল :- **১৫০/-**
লাইরিক্কী লমায় মশীং :- **১১৬**




হৌজিক্কী মতমদা লাক্লিবা নোংলৈগুম্না কল্লবা অহোংবা অওনবা কয়াগী মরক্তা উরক্লিবা ঙসিগী মীরোলগী পুন্সি মহিং, থকসি খাসি, চৎনবী কয়াদা উরিবা ভেল্যুস অসি হেন্না মেটরিএলিষ্টিক ওইবা অদুগা পুন্সিবু লায়না লায়না লৌবা থৌওংশিং লাক্লি। নুংশিবসু থাজবা লৈনরক্তবা, অপাম্বনা ঙাইহাক্কী অরং অরাক্তা ওইনা পূক্নিং লূপ্পা, মচেৎ মকায়গী অমদি ৱাহন্থোক মাঙলবা পুন্সিদা হেন্না ফজবা ওইনা উরকপা অদুগুম্বা তায়োন্নবা মশক অমা য়েক্লি। মসিমকসু অচুম্বনি। লৈঙাক্কী ওইরিবা ফীভমশিং, পূম্নমক শেলনা লোইনা চৎহন্নীংলি অইবীনা। খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ূম্বী ওইরক্কদবা নহারোলশিংগী হৌজিক উরিবা লমচৎ শাজৎতা অমদি পুন্সি মহিংদা পাউজেল অমদি শৈরেং অসিনা পীনিংলি অমসুং পুন্সিবু লুনা খন্নবা। অহল লমনশিংনা চেকশিন্না থল্লবা কায়ফদ্রবা চৎনবী খরদি অহোংবা অওনবা ফনা য়াম্না লাক্লবসু ঙাক্লা চৎহন্নীংলি। মসিবু ঙাকপা ঙমহৌদবা মীকুপ্তুদি ইশাগী আইদেন্টিটি অদু মশক লেপ্পদা য়াম্না ৱানা থোক্কনি। শৈরেং লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ৮৭ য়াওরি। ফজরবা ইমেজরি কয়া অমসু মতাং চানা য়াম্না চংখোন্না শীজিন্নবা থেংনৈ।


**রাজকুমারী হেমাবতী**

থম্মোয়দগী থোক্লকপা শৈরোলশিংদি ফাজিন পুনশিন্দুনা থম্বা খক য়াদে। খুন্নাইসিদা থেংনরিবা অৱা অনা, খুদোংচাদবা কয়া, লৈবাক্কী ওইবা ইস্যুশিং, কাঙলূপ-ফুরুপকী মুক্লবা, আইদেন্টিটিগী ৱাফম, কলা সংস্কৃতিগী মশক, চৎনবী থাজনবী কয়ানা লাক্লিবা অহোংবা অওনবশিংদা থেংনরিবা লোইবা নাইদ্রবা ইস্যুশিংদা অইবা-অইবীশিং তূমিন্না খক লৈথোকপা ঙমদে। মথৌদাং অমগুম্না করিগুম্বা পাউজেল পীবা য়াবা লাইরিক অমত্তং ওইরবসু ইদবা ঙমদে। শেমদোকনীংবা অরানবা কয়া, চুমথোকনীংবা চৎনবী কয়া চংখোল্লবা ৱাহৈনা লৈ পরেংগুম্না লেংদুনা অপাবশিংগী পূক্নিং চিংশিন্দুনা অফবা খুন্নাই অমা ওইরক্লবা ইথিল খরদি পীনীংই। পুন্সিবু য়াম্না নুংশিনা লুনা খনবনা হৈপাল অমত্তংসু থানীংই, লৈবাক খরদংসু হৌহন্নীংই মীওইবগী লৈকোলদা। মরমদি পুন্সি হায়বসি পান্দম য়াওদনা হিংবতমক হিংবদুদি করিবু কান্নগনি। পোকপা অমসুং শিবা নাইবা খোঙচৎসিদা ফৌ মরূ অমত্তসু থানীংদ্রবদি মালেমসি লূম্নবা নত্তনা করি অমুক ওইগনি।

রাজকুমারী হেমাবতী ইম্ফালগী নোংমৈবুংদা লৈবা রাজকুমার সনাতোম্বা অমসুং য়ুম্লেম্বম নিংঙোল ঙানবী শীজ অনীগী মমোম ওইনা কুমজা ১৯৫৪দা তাইবঙদা খোঙদারকখি। অইবী অসি দাইরেক্টোরেট ওফ ইকোনোমিক্স এন্দ ষ্টেটিষ্টিক্স, লম্ফেলপাত্তা ইন্সপেক্টর ওইনা থবক তৌরম্মী। 'চেল্লা মাদি খঙলম্মী' হায়না মিংথোনবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমসু হান্না ফোঙখিবা লৈরে অমদি ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা মহাক্লা ইবা লীলা 'অঙৌবা লৈচিল' ব্রোদকাষ্ট তৌখ্রে। মণিপুরী ফিল্ম অমসুং রেদিও দ্রামাদা চাওরবা থৌদাং লৌদুনা মণিপুরগী আর্ট অমসুং কলচরগী ওইবা লম্দা থোইদোক হেন্দোক্লা শিংথানীংঙাই ওইরবা খুদোল কয়া তল্লি। অসিতসু নত্তনা মণিপুরী খোরিরোলবু হেন্না অৱাংবা থাক অমদা পুখৎনবা হোৎনবদা অইবী অমা ওইনা মহাক্কী লাইরিক কয়া ইদুনা লেপ্তুনা খুদোল তল্লক্লি। মসিমক য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনীংঙাইনি।

পুন্সিনা চল্লিবা পাউখোং কয়াদি লোইনমক করম্না ফোঙলুবা ঙমগনি। নুংশি চিরোল তৌদুনা লৌনম লাংদা য়ারৌগুম্না লাংগোই চনখিদা পাম্বৈ লৈত্রবা শাজিনা মৈচাক খাঙবা নত্তনা কনানা মাবু খিক্লগনি নুংশি ইরিক। হৌজিক্কী মতমদা নুংশিবা হায়বসি তশেংনা লৈরিব্রা হায়না করিগুম্বদা হংনীংবা ফাওদবা নত্তে। থাজবা হায়বসিসু করিনা লমওনগনি। মরমদি হিংবগী মমল অসিনা লুপানা হেক হেক লেপগুম্বা অমা উরক্লি। চমজরবী নুজা ওইবী কয়া মরৌ চাওবা খোইমুনা ৱাশকপদা অৱাফমদা তাখিবগী ৱারী তত্তনা তারি। মসিমক তেনখ্রবা শৈরেংগী ৱাহৈ খরতংনা নিংথিজনা ফোঙদোক্লি অইবীনা মহাক্কী শৈরেং 'নুংশি ফুরা' হায়বসিদা, ''শাবা হেক লোইবগা/থুগাইসি হায়বা পান্দমদা/শাগৎমিন্নখিবা নুংশি ফুরানি।/নীংখায়রকপা মতমসিদা ইশাবুদি শোক্লমদনা/থম্মোয়দি থুম্না ননখ্রে।/খল্লুদে থম্মোয়সিগীদমক/পুন্সিনা অসুক ৱাগনি''

কনপেমপরেরি লাইফকী য়াম্না ময়েক লারবা শৈরেং অমসু য়াওরি, 'হিংলিবা' ''নুমৎ থোরকই/মঙাল য়াওরক্তে,/নুংশি শীংলি/অঙৈংবা পুরক্তে,/মতম হৌখি নুংঙাইবা পীরমদে, /চিকনা ফম্মী/পোখাবা ফংদে,/লামগেসু খন্দে/ফংগেসু তান্দে,/য়ৌগেসু খন্দে/নক্কেসু হোৎনদে,/খন্দুনতা লৈ/পল্লেপফম খঙদে,হিংলিবা হায়বদু মসিরা?'' অহিংবদি মাল্লগা হিংনা হিংনা শিবগুম্না পুন্সিগী ৱাহন্থোক মাঙশিল্লক্লিবা খুনন্নাই অমদা লৈরিবা খুদোংচাদবা কয়াতনা য়োল্লবা মীওইশিংদা ফাওরকপা পূক্নিং ৱাখলগী মমি ফজনা তারি। হিংবা হায়বসি শিবদুনা হেন্না নুংঙাইব্রা হায়না হংনীংলকপা তাঞ্জানি।

নুপী ওইবীশিংনা থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়াগী মরূ ওইবা মরমশিংদি খুন্নাই অদুদা লৈরিবা পুন্সি মহিং, চৎনবী থাজনবী, লাইনীং লিচৎ, অশেং অমাং, লাইরিক লাইশুগী মঙাল ৱাৎপা হায়রিবশিং অসিদা নুপানা খুল্লিংবা খুন্নাইশিংদা হোংদোকপদা খরা ৱাবা লান্না ৱাহন্থোক পীবা থাজনবী কয়ানসু মরম ওইদুনা নুপী ওইবীশিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি হৌজিক হৌজিকমকসু। অচুম অরান, তৌহৈবা তৌহৈদবা, ফজবা, অথিবা পূম্নমক ঐখোয়গী কন্সাইন্সনা লেপ্পা ঙাক্তনি। মসিদা লাইরিক লাইশুগী মঙাল ফংহৌদবা অদুগা লান্না থাজবা চৎনবী কয়াদা নুপীশিংনা হেন্না অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। মসি মালেমগী মফম কয়াদসু থোক্তবা নত্তে। অসিগুম্বা মতম অমদা লময়ানবা ইরাবতনা নুপী ওইবীশিংবু থৌনাগী মৈরা পায়হনখি। লমজিংখি ইমাশিংবু। লৈবাক্কী চিরবা মতমদা নুপীশিংনা চংশিল্লকপা ইহৌদা পাঙ্গল হাপখি। মান্নবা খুন্নাইগী মঙলান মঙহনখি। নুপী ওইবীশিংনা অফা অপুন য়াওদনা পুন্সিদা ফংগে হায়দুনা তাল্লিবা পান্দম, খুন্নাইসিদা করিগুম্বা কান্নবা খরদং খুদোল তৌনীংবা মতমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা পূম্নমক অদুগী পল অদু লান্দুনা থোং মান্নবা খুন্নাইগী অমা লাকনবা লময়ানবা মহাক্লা থৌনাগী চরৈ খ্বাংচেৎ ওইবীনবা শৈথারি অইবীনা। অদুনা হায়রক্লি মহাক্কী 'নঙবু নীংশিংলকই লময়ানবা' হায়না মিংথোনবা শৈরেংসিদা, ''নুপী ওইনা পোক্লুবগী/হিংনবগী লম্বীদি তিঞ্জংতনা থল্লম্লে।/খাঙজবতনা হিংজফম ওইরবা/নমথবিবতা ওইরবা মপোকসে/খঙবিখি নঙতনদি মশক/নুপীগী অৱাবা নুপীগী পুন্সি''

মালেমসে ঙসিদি অঙকপা ফংনা অহোংবা অওনবনা পীক থল্লে। থিংবা ঙমদনা য়ামখৎলক্লিবা মীশিং অসিনা বিলিয়ন্না খুজিং ওইরকপা মতমসিদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা মালেমসিদা অঙৈং অশাগী খলসি শাথিনা অকায়বা ওইদুনা ঙসিদি মীওইবনা হিংবদা চহী খরগী তুংদা করি ওইরক্কদগে হায়বসিদা মীপাইদবা ঙম্নদে। লেপ্তুনা উমংশিং পাক্তক্লনা কোকথোকপা, ঈশিং অমদি কংফালগী শরুকশিংদা ফংলিবা নেচরেল রিছোর্সেস কয়া চাওখৎপগী মিংদা কা হেন্না শীজিন্নথোকপা, ৱাখল খনবদি মাল্লগা ৱাখল য়াওদবা মশাগীতা খনবা মীওইবনা ঙসিদি মালেমসিদা লৈমিন্নরিবা থৱায় পানবা কয়াগী হিংজনফম ওইরিবা উমংশিং, তুরেলশিং, চাওরবা সমুদ্র কয়া, তু খোংপাৎ, লৌবুক লমহাং কয়া চাওখৎপগী মিংদা নৈখায়বনা হায়রিবা অচৎ চত্তা লেংলি পাল্লিবা কয়াদি মালেমগী লৈমায়দগী তপ্না তপ্না কাঙ্খুল ফাওবা মুৎখিবা কয়া য়াওরক্লি। কন থৌরবা লৌশিং চাওরবা মীওইবগী মায়োক্তা মখোয়না কৈদৌনুংদা শিংনবদি ঙমজদে অদুবু পারা অমদি হেক হেক তম্বীরক্লি মহৌশা লাইরেম্বীনা। অসিদা ফাওবা হালেংবা লৈতনা মীওইবনা মহৌশাবু লানশিংনবগুম হেক হেক তৌরি। অসিগুম্বা য়াম্না ক্রিটিকেল ওইরবা এনভাইরনমেন্টেল ক্রাইসিস লৈরবা মতমসিদা অইবী হেমাবতী তূমিন্না লৈথোকচবা ঙমদে। দিকেদ খরসিদা লাক্লিবা অহোংবা কয়া অসিদা খোঞ্জেল থোক্লা তেংথাদবসু ঙমদে। মরমদি চহী খরসিদা হৌজিক ওইরিবা মহৌশাগী শাথিনা কায়রবা খোঙচৎ অসিনা মীওইবা হায়বা কাঙলূপ অসি কয়াম কুইনা মালেমসিদা হিংবা ঙমগদৌরি হায়বসি চাওরবা ৱাহং অমা ওইরি। অদুনা মহৌশা লাইরেম্বীবু পার্সনিফাইদ তৌদুনা মপাউ অমদি চেল্লক্লি অমুক্তংদি তানবা অফবা পাউতাক কয়া লৌনীংদবা মীওইবনা পূক্নিং চঙনা তানবা অমদি অমুক্তং মুন্না খন্থদুনা লৈকংলা ওনদ্রিঙৈদা মহৌশাগী লৈশেম নোংশেমঙৈদগী লৈরক্লবা শক্তম অদুদা খরদং ওইরবসু হঞ্জিনবা য়ানবা হায়দুনা। অদুনা অইবনা মহাক্কী শৈরেংদা অসুম্না পাউমেনজরি-

'ঐবু হিংহল্লু নখোয় হিংউ' ''ঐদি মরূ কোক্লবা চীংশাং পরেংনি/ঐনা ইপাল ফরিঙৈ/হকচাং শীনবা থুংনা হৌরম্বা উপাল ৱাপাল কয়ানা/শোঙলবা উমং শেমজরগা/শক্তি লৈরবা পাম্বোম ওইদুনা/নাউকোঞ্জরকপনি মালেমসিবু.../চীংনুং ঈফূৎ শেমদুনা/তুরেলগী থৱায় হাপ্তুনা।/... ঙসিমক ওইহল্লু ঐবু/শংলবা চীংশাং পরেং/চোংহল্লু অরিবা উপালদা য়েন্নিং/অনৌবা মরূদা ময়োল,/অরি অনৌগী লম্বী শেমদুনা/মালেম মালহৌনহল্লু''

থাজবা থল্লি মীওইবগী মফমদা অমদি নুংশিবা ফাওরি থম্মোয়দা। লংলা অসিনা পুন্দুনা ফজবা মীওইবগী মশক অদু মহৌশাগী মশাইকোলসিদা উনীংলি অইবীনা ফজহন্নীংবা, শেমদোকহন্নীংবা, ওইহন্নীংবা অমদি পীনীংলিবা পাউজেল কয়া মীওইবা খুন্নাইগী অমদি মালেম অসিগীদমক নীংথিজরবা শৈরেং কয়াসু লেপ্তুনা ইরকখিগনি হায়না অইবীগী মফমদা থাজবা থমজরি। মণিপুরী শৈরেংগী খোঙচত্তা চিগোংলৈ নাচোমসু মফম অমদি কনবা ঙল্লে।

*— তোংব্রম অমরজিৎ*

ৱারী ককনাউ

# শাজৌগী নিশা

''নঙনা সুম সুম ফজরকপসে মসিদনি ঐনা খোইদৌসু সুম সুম শাওগৎপা হেল্লক্লিসে।'' শাজৌনা থোইচাগী ফোটোদু মুন্না য়েংলগা পেহৌ পেহৌ ঙাঙলি। শাজৌ ঙসিদি মহাক মথ্বায় খজিক নুংঙাইতে। অদুনা তয়াইগী ভেন্দরদা চঙলগা পেক মচা অহুম গৎ গৎ লংশিল্লগা থোরকপনি। ঈশিংগা য়ানদ্রে, মশাদু নিশানা কিক তৌরকপদগী, মাগী মহৌশাগী হৌনবীদু হৌরক্লে। অদুদনি ময়ূমদা চঙশিল্লগা, লোত্তুনা থম্বা থোইচাগী ফোটোদু লৌথোক্লগা ময়ূমগী মনিংগী পুখ্রি মপান্দা হৌবা কৌবিলা মখোঙদা ফন্মগা কপঙাঙ ঙাঙদুনা মথম্মোয় মেৎ মেৎতুনা শান্নরিসে। মরোল থোকপা মীশকতৌনা ফোটোদু অমুক চেপ, অমুক য়েং, অমুক পৈ তৌদুনা ৱারী শারি।

থোইচা, নঙবু ঐনা চাউবা ঙাইরকখি। নঙনা নোংমা নোংমগী হম-হম লাউনা চাওখৎলকখি। নঙনা অঙাং ওইরিঙৈদা নঙগী নয়াসে য়াম্না থীখি, চৌরিরা, ফৈরিরা কৈনোমা ইতৌ তৌরম্মী। মতমদুদা ঐ য়াম পাখৎখি, থোইচাসি ময়া শোয়রে হায়না। অদুবু খরা লৈরগদি নশা চাওখৎলকপা, লৈশাবী ফাগৎলকপগা লোয়ননা, নয়াসু ফজথোরক্লে। পোরপ তৌরগা অহেনবা রাশি হাপকৎলক্লে। ঐনা য়েংবদা কয়াদি ফজরে। নঙসি লৈকায় মচা ওইরসু ঐনা ইচননি হায়না খনবা শুকঙম ঙমদে। নঙনা নোংমা কাং হৌবা নুমিত্তা বামোন চাওবগী মমাঙমক্তদা শাওরুংননা হায়খিবদু ঐ কাউদ্রি -

''তা শাজৌ, ঐবু নচননি হায়না খনবীয়ু, ঐদি তা শাজৌসি লৈকায়গী ইবুংনি হায়না খল্লি, সে ঐনা পীরিবা মঙ্গল পরেংসে সিনা ঐগী মহুৎ শিল্লগা লৌজহৌরো। মতুংদদি ঐবু অমুক হন্না য়েৎলক্লনু, ঐসে, য়াম্না ৱাংবা ৱাখল খল্লি, মসিদা তা শাজৌনা সপোর্ট তৌবীয়ু। নত্তদুনা সুম কারন তাশিল্লক্লদি ঐ থুনা য়ূম পানখিবা য়াই। ঐ য়ূম পান্নীংদ্রি। মাষ্টরগা লোইরগা থবক অচৌবা অমা তৌখিগে হায়না খল্লি। নচনগুম্না নুংশিবীদুনা ঐনা নীংজরিসে মায় পাকহনবীয়ু।''

হন্দক্তি শাজৌদু মপি জোরো জোরো তারে। ফোটোদু মমায় থোক খুমজিল্লগা থম্মী, মমায়দু নোংথক্তা য়েংখৎতুনা কপ্পী। নিশাগা পানখৎলকপনে, নুংশাগা শাগৎলকপনে, মমিৎতগী তারকপা মপিদু, নাতোনলোমদা হাইজিনখ্রগা মাগী মখনাওরোমদা হাইথরকই। য়াক্লি য়াক্লি ওন্থোক্লা নুংঙাইখিদ্রবা মওং হায়বদু ওইরে। মদুদগীদি শাজৌদু কপ্পদি লায়রদনা মশাদু ওনীংবা অমা ফাওরক্লে। মমায়দু থোক উপথরক্লগা উপশিন্দুনা লৈরিবা থোইচাগী ফোটো মথক্তুদা ওরো রো... হৈথরকই। সিট নাল্লে, শাজৌগী চাকখাওদো কৈসু য়াওদ্রে। ৱাই শঙলে। থোইচাগী ফোটো থিরকই। ফোটোদুদি ওন্থোকপা ফীভম অমদা লৈরম্বদুদা মনাক্তা তাবা চৈতেক অমা খুল্লগা ফোটোদু খৎ-খৎতুনা লৌথোক্লে। অদুগা পুখ্রিদা কুমদুনা থোঙ্গ্রাদা চামগে হায়না উপথৈ। হন্দকসু শাজৌদু অনৌবা দশা অমা অমুক তারে। নিশাদুনা লুমথখিদুনা ঈশিংদা জোম লাওনা তাশিল্লে। ইক-ইক তৌদুনা পুখ্রিগী ঈশিং খরা থকচিল্লে। অদুবু ইরোইবা হৈরম্বা অদুগা লৌশিং মাঙবমক্তি নত্তবনিনা পুখ্রিদগী কাখৎলক্লে। অদুবু মখূৎনা পায়খিবা ফোটোদুদি পুখ্রি মনুংদা লৈহৌরে। সিট নাল্লুরবা শাজৌগী চাকখাওদো হৌজিক্তি ঈশিং খরনা অমুক চ্রোক চ্রোক লাউরে।

শাজৌ ইচোৎ চোৎখৈ থোঙ্গ্রাদুদা মখোঙ য়ান্থদুনা ফম্মে। পুখ্রিদা অমুক কুমথদুনা ফোটোদু থিবা ঙমদ্রে। মরমদি অমুক ঈশিংদা লাকশিনখ্রদি মা খুদোংথীবা তাদৌরিনি। অদুনা ফোটোদু তাওখৎলকপা ঙাইদুনা য়েং লৈরে। য়েংনা য়েংনা নীংশিংলকই। ঙসি থোইচা হোইদা ভেন অমা-অনীদা ৱারোইপোৎ পুবা ফৈজোম শেৎপা অহল খরগা নুপী খরগা অহাও অথুম, হৈ-রা পুদুনা ৱা ৱা নোক্তুনা চঙখিবদু করিগীনো হংলুবদা, লৈকায়গী মন্দোমচা অমনা ঙসি থোইচাগী ৱারোইপোৎ নুমিৎনি হায়রকপদুদা শাজৌ লেপ্না লেপ্না মঙ মঙখিবনি। কয়াম কুইনা লেপ্পুরবনো খঙদে। মানা থোরকপদা, চঙখিবা অহলশিংদু হরাও হরাও থোরক্লগা ৱারী শানরগা গাড়ী কাখিবদু উরকই।

''ইবেমা থোইচাসিদি ওন্থোক্লা মচু তাখ্রেদা, মানা চা পুথোরকপদু ঐদি পুংপেন পেল্লে। মশক্লগা ফজবনে, মতৌনগা লৈবনে। ইনম্মা নঙ নরাইবক ফখ্রজাৎনি, মাবু নমৌনুপী ওইবা ফংজবসে অতিয়াসি নখূৎনা লাম্বা ফংবগা চপ মান্নরবনি।''

''খঙদেদা ইবেমা, ইচানুপানা মথ্বায়না পামজদুনা কোইজরকপা চহী ৬ সুরে হায়। মশা মশাগী অপাম্বনিদা''

গাড়ীদু থৌখ্রে, কামথোরকপা উফুলদু শাজৌনা লেপ্লিবা মায়কৈ অদোমদা পুল্লপ হৌনদুনা লাক্লগা শাজৌগী মীৎতা, নাতোন্দা চঙলকই। শাজৌ মমিৎ উইশিন্দুনা খাংই। মদুদগী শাজৌ ময়ূম চঙদনা তয়াইগী ভেন্দরদা চঙলগা লেপচিং চিংলকখিবদু নীংশিংলকই।

শাজৌ পুখ্রিদুদা চোংথরসিরা ফাওবা খনখি। অদুবু ফুক হৌগৎলগা ভেন্দরদা অমুক লাক্লে। মচি অমদা তূমিন ফন্নগা পিৎ পিৎ থকপদুনা কয়া য়াম থকখ্রবনো খঙদে। কাচিন্দা থুপচিল্লগা তারি। মচিন্দা ময়েক শেংফাত্তবা ঈশৈ অমা শক্লি, ''ঐবু হিংখোরা, ঐবু শিখ্রোরা''? ... ঈশৈগী ময়েক মরিসি হায়নবা, শক্লবা হোৎনবদা মিনট ৫/৬ চঙই। খোইদৌ শাওগৎলবা তয়াইদু থোরক্লগা মখ্বাং মেৎলগা শাজৌদা য়েংলগা চৈরকই-

''শাজৌ, শাজৌ...হৌগৎলু, য়েংনীংদে, নয়ূমদা চৎলু... শ্বাইদা খাইরনু, খরা থকচিন চাশিল্লগা লেনফম নত্তে। থানা লাক্লগা, নিশা বন্দ লাক্লগা ঐবু ফরক তাহনগেরা, চৎলো চৎলো, নৎত্রদি নঙ মনীংলোমদা থাংদোক্লগা খোংবান্দা থাদরনি, হৌগৎলো...''

ৱাখল লৌশিং মাঙলবা শাজৌ ভেন্দর তয়াইনা হায়রিদু তাদে। ঈশৈ মখা শকথরি, ''ঐবু...শি...খ্রো...রা...রা...রা...''

*- নরেন্দ্র নিংঙোম্বা*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।